HUEIYEN LANPAO

# ইন্দিয়াগী মিনিষ্টরশিংগী মোঙ্গোলিয়া অমসুং জপান খোঙচৎ কুপ্না শেন্নগনি: চাইনা




বৈজিং, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
চাইনাগী য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিং মোঙ্গোলিয়া অমসুং জপানদা ইন্দিয়াগী মিনিষ্টরশিংগী চৎকদৌরিবা খোঙচৎ বৈজিংনা কুপ্না মীৎয়েং চঙদুনা শেন্নগনি হায়রি।

ন্যু দিল্লিনা সেনিয়র মিনিষ্টরশিং থাদুনা লমদম অদুদা লৈনরিবা মরী ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা চাইনানা ইন্দিয়াগী অৱাংবা থাক্কী ইনগেজমেন্টশিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙলক্কদৌরিবনি। মরু ওইনা ইন্দিয়া অমসুং জপানগী সেপ্টেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা রাউন্দগী ওইবা ইন্দিয়া অমসুং জপানগী ফোরেন অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াগদবা ২ প্লস ২ টোল্কসনা মরু ওইনা লৌগদবা ওইরবসু দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা টোকিও খোঙচৎকী মাঙওইননা মোঙ্গোলিয়াদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অমা চৎকদৌরিবা অসি বৈজিংনা কুপ্না মীৎয়েং চঙদুনা শেন্নগনি হায়রি।

মোঙ্গোলিয়া য়ৌরবা মতুং মথংগী নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৮ দা দিফেন্স মিনিষ্টর সিংহনা কেপিটেল উলান বটারদা অৱাংবা থাক্কী ইন্টরেক্সন চথবগা লোয়ননা খুরেলসুখতনা প্রসিদেন্ট উকনাগিন খুরেলসুখকা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নগনি। নুমিত্তুগী নুমিদাংদা মোঙ্গোলিয়াগী প্রসিদেন্ট অসিনা সিংহবু ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা দিন্নর অমা লাংগদৌরিবনি।

মোঙ্গোলিয়াদা চথুগদৌরিবা দিক্ষসন অদুগী মরু ওইবা এজেন্দদা ইন্দিয়াগী দোল্লর বিলিয়ন ১.২ গী ক্রেদিটকা লোয়ননা পায়খৎলিবা মোঙ্গোলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ওইল রিফাইনরি লোইশিনবগী ৱাফম য়াওগনি। রিফাইনরি অদু মোঙ্গোলিয়াগী দোনোগোবি প্রোভিন্সতা পায়খৎলিবনি। কুমজা ২০২৫ তা মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা মদুনা লৈবাক অদুগী রিফাইনরিগী মথৌ তারিবা থবক অপুন্বগী চাদা ৭৫ থুংহনবা ঙমগনি হায়না পারিবনি।

মোঙ্গোলিয়ানা লৈবাক অসিগী মথৌ তারিবা ফোসিল ফ্যুএল অপুন্বা য়ুমথংনরিবা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক রসিয়াদগী লৈরিবনি। রসিয়া অসি লৈবাক অসিগী মহৌশাদগী অফবা মরী থম্নরক্লবা মীচং লৈবাক অমনি। ইন্দিয়ানসু মোঙ্গোলিয়াবু রেলৱে অমসুং পৱার ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎশাগৎপদা মতেং পাঙদুনা লাক্লি। অসুম্না মোঙ্গোলিয়াগী মিনরেল ৱেল্‌ঠ পুথোক পুশিন তৌবা অমদি মপানদা থাদোকপদা ন্যু দিল্লিনা মতম শাংনা মতেং পাঙলক্লি।

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা মোঙ্গোলিয়াদা সাইবর সেক্যুরিটি সেন্টর অমসু হৌদোক্কনি। মদু ইন্দিয়ানা মোঙ্গোলিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগীদমক্তা লিংখৎখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাইনাদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবা মতুং কুমজা ২০১৫ দা মোঙ্গোলিয়াদা চৎখিবা খোঙচৎ অমদা ইন্দিয়া অমসুং মোঙ্গোলিয়াগী মরক্তা সাইবর সেক্যুরিটি ট্রেনিং সেন্টর অমা লিংখৎনবগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এমওয়ু) অমা খুৎয়েক পীনখি।

এগ্রিমেন্ট অসিগী খুত্থাংদা ইন্দিয়ানা মোঙ্গোলিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকীদমক্তা সাইবর সেক্যুরিটি ট্রেনিং সেন্টর অমা লিংগনি। লোয়ননা সাইবর সেক্যুরিটিগী লমদা পর্সনেলশিংবু ট্রেনিং পীগনি হায়না কুমজা ২০১৫ গী এমওয়ু অদুদা পনখি।

মোদিগী খোঙচৎ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং মোঙ্গোলিয়াগী বাইলেটেরেল মরীসু ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখি। দিফেন্স মিনিষ্টর সিংহনা মোঙ্গোলিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর গুরসেদ সাইট সাইখন্বায়র অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর গোম্বোজাব জন্দানসাটারদসু নুমিত্তুমক্তদা উন্নগনি। মদুগী মতুং সেপ্টেম্বর ৭ তা টোকিওদা পায়গনি।

চৈরকসিদা ন্যু দিল্লি অমসুং টোকিওগী মরক্তা অচেৎপা মরী থম্নরকপা মতমদা অহুমশুবা লৈবাক অমদা টার্গেট তৌরোইদবনি হায়না ইরাই নুমিত্তা চাইনিস ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

# ‘নুমিৎ ১৬০ হেন্না হঙ্গর ষ্ট্রাইক চথরক্লবা খালিল অৱাদা মতম অমদা হেক্তা শিবা য়াই’



রামালা, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
নুমিৎ ১৬০ হেন্না হঙ্গর ষ্ট্রাইক চথরক্লিবা পলেষ্টিনিয়ন প্রিজিনর খালিল অৱাদা মতম অমদা হেক্তা শিবা য়াই হায়না মহাক্কী উকিলনা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা মার্চতা অৱাদানা মহাকপু থাদোক্কবা দিমান্দ তৌরদুনা হঙ্গর ষ্ট্রাইক চথবা হৌখিবনি। মহাক মতমদুদগী শুপ্নগী ঈশিং থক্লগা হিংলক্লি হায়না প্রিজনর অসিগী উকিল অহলম হদাদনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওক্যুপেসন আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মদুদি মিলিটরি কোর্টনা মহাকপু ফাবগী খোঙথাং অদু কয়ারক হন্না শৌগৎখি। মঙোন্দগী ফঙলিবা অরোনবা মচাক মথুমশিংনা করিগুম্বা মহাকপু থাদোকপা তারবদি লমদম অদুগী সেক্যুরিটিদা অকিবা পীগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফঙই।

হকচাংগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবনা মরম ওইদুনা হন্দক্তা অৱাদাবু রামলেস প্রিজনদগী ইজরেলগী অসাফ হারোফি হোস্পিটালদা ট্রান্সফর তৌখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎ ওগষ্ট ১৯ দা ওক্যুপেসন আর্মিনা অৱাদাগী হকচাংগী ফিভম য়েংলগা এদমিনিষ্ট্রেটিব দিটেন্সন ওর্দর অদু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখি।

তৌইগুম্বসুং মিলিটরিগী স্পোক্সমেন অমনা মহাক হোস্পিটাল থাদোকপা য়ারোই হায়খি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজরেল্লি সুপ্রিম কোর্টনা পলেষ্টিনিয়ন প্রিজনর খালিল অৱাদাগী কেসকী হিয়ারিং লোইশিনখি অমসুং মহাকপু থাদোকপগী ৱাফম য়াখিদবগা লোয়ননা মহাকপু ফাজিনবগী মতম শাংদোক্কবা ৱারেপ লৌখি।

অমরোমদা, অৱাদানা ইজরেল্লি কোর্ট অদুগী ৱারেপ অদুবু রিজেক্ট তৌরদুনা এদমিনিষ্ট্রেটিব দিটেন্সন লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা অমদি মহাকপু ওক্যুপেসন কাঙবুগী প্রিজনশিংদগী থাদোক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা হঙ্গর ষ্ট্রাইক চথগনি হায়খি। ভিদিও ক্লিপ অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি ইজরেল্লি কোর্টকী ৱারেপ অদু পোজিটিব ওইদে। মহাক্না নুমিৎ ১৬২ নি লেপ্তুনা চথরক্লিবা হঙ্গর ষ্ট্রাইক অদু মহাকপু থাদোক্তুনা মনিং তমহন্দ্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা চথখিগনি। ওক্যুপেসন ওথোরিটিশিংনা হৌজিক ফাওবা অৱাদাগী ইমুংবু প্রিজনদা লাক্তুনা মহাকপু উন্নবা য়াহন্দ্রিবনি।

পলেষ্টিনিয়ন প্রিজনর অসিনা হৌখিবা মার্চতগী হঙ্গর ষ্ট্রাইক হৌখি অমসুং ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা এদমিনিষ্ট্রেটিব দিটেন্সন লোইশিল্লগনি হায়না থাজবা পীবদগী হঙ্গর ষ্ট্রাইক অদু জুন ২১ দা নুমিৎ ১১১ নি শুবগা লোয়ননা লেপখি। অদুম ওইনমক ইজরেলনা এদমিনিষ্ট্রেটিব দিটেন্সন লেপ্পগনি হায়বা ৱাশক অদুবু থুগায়রকপদগী জুলাই ৫ দা অমুক মহাক্কী হঙ্গর ষ্ট্রাইক মখা চথবা হৌখি।

# নোর্দিক দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা ফিনলেন্দদা উন্নদুনা মখোয়গী কো-ওপরেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে

নেলসিনকি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
নোর্দিক লৈবাকশিং হায়বদি ফিনলেন্দ, নোর্ৱে অমসুং স্বিদেনগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা ফিনলেন্দদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা নোর্দিক লৈবাক মঙামক্লা নাটোগী মেম্বরশিং ওইরবা মতমদা মখোয়গী মরক্তা কো ওপরেসন পীনবা হেনগৎহনবগী ৱাফম খন্নখ্রে।

ফিনলেন্দদা নাটোগী বেজ অমা লিংখৎপগী ৱাফমগী মতাংদা শগোলশেল নুমিৎকী মীফম অদু লোইরবা মতুংদা মেদিয়ানা হংবদা ফিনিস দিফেন্স মিনিষ্টর এন্টি কাইকোনেন্টনা হায়খি, মদুদি নোর্দিক লৈবাকশিংগী মরক্তা দিফেন্সকী হিরম কয়াদা মতেং পাঙননবা ৱারেপ লৌমিন্নরে।কাইকোনেন্টনা নোর্ৱে অমসুং স্বিদেনগী মহাক্কী লেঙমান্নবশিং জোন অর্লিদ গ্রান অমসুং পিটর হল্কবিসকা ৱারী শান্নরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবনি।

পনবা য়াবদি, ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা চহী অসিগী মেদা নাটোদা য়াওননবা ওফিসল ওইনা এপ্লাই তৌখি। অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্টরশিং অসিনা হায়খি, মদুদি মখোয়গী মরু ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমদি লৈবাক অহুমগী ওপরেসন প্লান্নিং কো ওর্দিনেট অমসুং দিভলপ তৌবা অসিনি।

য়ুরোপকী অৱাং থংবা শরুক্তা মিলিটরি ফোর্স অমদি এক্তিভিটি হেনগৎলকপা অসিনা মিলিটরিগী ওইবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা খন্ন-নৈনবা হায়বসি মরু ওইরকখি। য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী লান অদুনা মরম ওইদুনা লমদম অদুগী সেক্যুরিটিগী ফিভম হেন্না লুশিল্লক্লি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোক্লি। কালোটি এরিয়াদা লৈবাক অহুমগী টেরিটরিশিং অমগা অমগা শম্ন রিবনি। মিনিষ্টরশিং অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মখোয়গী মরক্তা অসুম্না কো ওপরেসন পীনবা অসিনা মখোয়গী অৱাং থংবা শরুকশিংদা কম্মন সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎহল্লগনি অমদি অকন অরিংশিংবা পান্বশিংবু হঙ্গোইহল্লগনি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা ফিনলেন্দদা নাটোগী বেজ অমা থম্বগী ৱাফমগী মতাংদা ফিনিস পোলিটিকেল সার্কলদা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্কখি। ওপোজিসন কঞ্জার্বেটিবশিংনা ৱাফম অসিবু শৌগৎলবসু গভর্ণমেন্ট কোলিসনদা য়াওবা পার্টি অমা ওইরিবা লেফ্ট লিগনদি থৌরাং অদু পামদে হায়রি।

# পোপ ফ্রান্সিসনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে



সিওল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
পোপ ফ্রান্সিসনা হায়রি, মদুদি করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবশিংনা মঙোন্দা ইনভাইট তৌরক্লবদি মহাক লৈবাক অদুদা চৎপা পাম্মী। পোপ ফ্রান্সিসনা ৱাফম অসি ইরাই নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা সাউথ কোরিয়াগী ব্রোদকাষ্টর অমগী ইন্টরভিয়ুদা ফোঙদোকখিবনি।

কেভিএসতা ফ্রান্সিসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, নোর্থ কোরিয়ন ওথোরিটিশিংনা ঐঙোন্দা ইনভাইট তৌরকপগী মতুং ইন্না ঐহাক্না লৈবাক অদুদা থুনা চৎকনি। করিগুম্বা মখোয়না ঐঙোন্দা ইনভাইট তৌরকপা তারবদি ঐহাক্না নোর্থ কোরিয়াদা চৎনিংদবা লৈরোই। ঐহাক্কী খোঙচৎকী পান্দমদি মতম চুপ্পদা মচিল মনাও ওইবগী নুংশিবগী মতৌ উৎপা অদুনি।

পনবা য়াবদি, নোর্থ কোরিয়ানা মপানগী ভিজিটর খরদমক লৈবাক অসিদা চঙবা য়াহল্লি। ময়ামদগী তোঙান্না লৈরবা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংবুনা মহৌশানা মপানদা চৎপগী অয়াবা পীদে। কোরোনা ভাইরস পেন্দামিক লাকখিবদগী লৈবাক অসিনা মহৌশাদগী হেন্না চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থমখি। পোপ ফ্রান্সিসনা ইন্টরভিয়ু অদুদা কোরিয়া অনীনা পেনিন্সুলা অদুগী লান মতুংদা করম্না লেল্লকখিবগে হায়বদু খঙই হায়খি।

# য়ুক্রেনগী ট্রেন ষ্টেসনদা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক রসিয়ানা ক্লেম তৌখ্রে



কিভ, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সেন্ট্রেল য়ুক্রেনগী রেলৱে ষ্টেসন অমদা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক অদু রসিয়ন ফোর্সশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুদা মীচমশিং য়াওনা মীওই ২৫ শিখ্রে হায়না কিভনা ফোঙদোকখিবনি। অদুম ওইনমক রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন ইগোল কোনাসেনকোপনদি সেন্ট্রেল দনিপ্রোপেট্রোবস রিজনগী চাপ্লিন টাউনদা চথখিবা এটেক অদুদা দোনবাস রিজনদা লান শোক্ল নবগীদমক চঙশিনখিবা য়ুক্রেনিয়ন লান্মী ২০০ হেন্না শিখি হায়না ক্লেম তৌখি। অদুম ওইনমক মশিং য়াম্লবা লান্মীশিং অদু শিখি হায়বা ক্লেম অদুবু শৌগৎপা ইভিদেন্স অমত্তা রসিয়াগী মায়কৈদগী পুথোরকখিদে।

রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা কাপশিনখিবা রোকেট অদুনা য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিনা শীজিন্নবা ষ্টেসন অদুগী শরুক অমা অমাঙ অতা থোকহনখি। মসিদা নত্তনা এটেক অদুদা মিলিটরি ইক্বিপমেন্টসু অমাঙ অতা থোকখি।

য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা হায়খি, মদুদি এটেক অদুদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই ২৫ শিখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ হেন্না অশোক অপন নঙখি।

য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্সিএল ওফিসকী দিপ্যুটি হেদ কিরিলো টিমোসেনকোনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা চাপ্লিনগী রেসিদেন্সিএল এরিয়াশিং অমসুং রেলৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর অনীমক্তা টার্গেট তৌখি। ভিক্তিমশিং অদুগী মনুংদা ট্রেন ষ্টেসন অদুগী মনাক্তা কার মৈ চাকপদা শিখিবা মশাগী চহী তরুক শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অমা অমসুং বিল্ডিংগী অকায় অতোইনা নঙবদগী শিখিবা মশাগী চহী ১১ শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়াওখি। রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী ক্লেমশিং ইনিদপেন্দেন্ট ওইনা ভেরিফাই তৌবদি ঙমখিদে হায়রি।

# রসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা নুপী কোস্মোনোট স্পেস ষ্টেসনদা পাইননবা শেম শারি




মোস্কো, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
রসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা হৌজিক হৌজিক এক্তিব ওইরিবা কোস্মোনোট অন্না কিকিনানা মহাক ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা পাইগদৌরিবা স্পেস এক্সকী ক্রু দেগ্রোনদা য়াওননবা শেম শারে হায়না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওক্তোবর ৩ দা মতম লেপখ্রবা ফ্লাইট অদু রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগা মরী লৈননা মোস্কো অমসুং ৱাশিংতনগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লবসু শোয়দনা পাঙথোক্লগনি। চহী ৩৭ শুরবী ইঞ্জিনিয়র অমা ওইরিবা কিকিনা অসি রসিয়াদগী নত্তগা সোভিএট য়ুনিয়নদগী স্পেসতা পায়বা মঙাশুবা প্রোফেস্নেল নুপী কোস্মোনোট ওইরগনি। মহাক নাসা অমসুং রসিয়াগী স্পেস এজেন্সি রোস্কোমোসকী মরক্তা লৈরিবা ক্রোস-ফ্লাইট দিল অমগী শরুক অমা ওইনা ক্রু দ্রেগোন স্পেস ক্রাফট অমদা তোংদুনা স্পেসতা পায়বা অহানবা রসিয়নসু ওইরগনি।

রোস্কোসমোসনা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা কিকিনানা হায়খি, মদুদি স্পেস ষ্টেসনদা পায়গদৌরিবা ফ্লাইট অদুগীদমক্তা ঐহাক শেম শারে। অরোইবা ট্রেনিং সেসন, প্রি-ফ্লাইট এক্তিভিটিশিং অমসুং প্রোসিজরশিংগীদমক্তা ঐহাক সেপ্টেম্বর ৮ দা অমেরিকা পাঙলগনি। স্পেস এক্স মিশনগা লোয়ননা পাইগদবা অহানবা রসিয়নগী থৌদাং অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না মদু অচৌবা রেস্পোন্সিবিলিটি অমনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা স্পেস ফ্লাইট খুদিংমক কোস্মোনোট অমগী ওইনদি অচৌবা রেস্পোন্সিবিলিটিনি। অদুনা ঐহাক্কী ওইনদি ফ্লাইট খুদিংমক্কী মরক্তা খেন্নবা থমদে হায়খি। য়ুএসকী কোলিগশিংনা মঙোন্দা য়েংলিবা মীৎয়েংগী মতাংদা হংবদা রসিয়াগী কোস্মোনোট নুপী অসিনা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী কোলিগশিংনসু মহাকপু মরুপ মপাঙ ওইনা অমদি নুংশিনা দিল তৌবী। ক্রুপ অসিগী শরুক অমা ওইনা পাইগদৌরিবা অসিদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই।

কোস্মোনোট কিকিনা অসি ওক্তোবর ৩ দা আই এস এসতা পাইগদৌরিবা স্পেস এক্সকী ক্রু-৫ গী মিশনদা য়াওগদৌরিবনি। মহাক্তা নত্তনা ক্রু অদুদা জপানগী কোইচি ৱাকাতা অমসুং নাসাগী এষ্ট্রোনোটশিং নিকোল মান অমসুং জোস কাসাদাসু য়াওগনি।

কিকিনানা হায়খি, মদুদি মহাক্না ফ্লাইট অদুদা মহাক্কী সাইবেরিয়ন হোম টাউন নোবোসিভিস্ককী সিম্বোল অমা ওইরিবা ‘গোরোদোবিচোক’ কৌবা কোল্লা মচুগী মশম পানবা খুৎনা শাবা নুপামচা অমগী টোই পুগনি। টোই বোই অসি ঐহাক্না লোয়ননা ফ্লাইট অদুদা শরুক য়াননবা ঙাইদুনা লৈরিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাঙদা স্পেসতা পাইখিবা ইকোন কোনবী রসিয়ন নুপী কোস্মোনোট এলেনা সেরোবানা আই এস এসতা কুমজা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বরদগী কুমজা ২০১৫ গী মার্চ ফাওবা হায়বদি পুন্না নুমিৎ ১৬৭ নি লেনখি। সোভিএট কোস্মোনোট ভেলেন্টিনা টেরোস্কোবা অসি কুমজা ১৯৬৩ গী জুন ১৬ তা ওর্বিটতা পাইদুনা স্পেসতা পাইবা অহানবা নুপী ওইখি। সবেটলানা সাবিটসকায়া হায়রিবা রসিয়ন কোস্মোনোট অসিনা স্পেসতা পাইবা অনীশুবা নুপীনি। মহাক কুমজা ১৯৮৪ গী জুলাইদা স্পেস ৱার্ক পাঙথোকপা ঙমদুনা অসিগুম্বা পার্ফোমেন্স ঙম্বা অহানবা নুপী ওইখি।

চহী অদুগী ওক্তোবরদা রসিয়ানা স্পেসতা য়ুলিয়া পেরেসিল কৌবী এক্ট্রেস অমসু থাখি। মহাক আই এস এসতা মুভি অমগী সীনশিং নমদুনা নুমিৎ ১২ নি লেনখি।

রসিয়ন কোস্মোনোট নুপীশিংগা চাংদম্নবদা অমেরিকন নুপী ৫০ হেন্না স্পেসতা পাইখ্রে। নাসাগী এষ্ট্রোনোট ফ্রেঙ্ক রুবিয়ো সেপ্টেম্বর ২১ দা রসিয়ন সোয়ুস স্পেসক্রাফট অমদা তোংদুনা আই এস এসতা লোঞ্চ তৌরগনি। মদুদা কোস্মোনোটশিং সর্গি প্রোকোবস এয়র অমসুং দমিট্রি পেটেলিনবু শরুক য়াগনি।

# পাকিষ্টানগী ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লকপদগী পিএম সারিফকী য়ুকে খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লকপদগী মদুবু গভর্ণমেন্টনা নেসনেল ইমাজেন্সি অমনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু মতেং পাঙনবা দোনেসন পীবিরক্লবা আপিল তৌখ্রে।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাস সারিফনা ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লক্লিবদুগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ কিংদমদা চৎননবা মতম লেপ্পলম্বা মহাক্কী খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে। মহাক ঈচাওগী রিলিফ এক্তিভিটিশিং রিভিয়ু তৌনবগী মফম অমা মহাক্না চ্যের লৌদুনা পাঙথোক্লবগীদমক কাটারদগী হল্লক্লগনি।

শগোলশেল নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্টর ফোর ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মারিয়ুম ঔরঙ্গাজেবনা লৈবাক অদুগী ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অদু নেসনেল ইমার্জেন্সি অমনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি বেলোচিষ্টান অমসুং সিন্দদা শাথিরবা ঈশিং ঈচাওনা মাঙহন তাকহল্লিবশিং অদুবু থেংনবদা লৈবাক্কী ওইবা থৌনা লিংজেল অপুন্বা শীজিন্নবা মথৌ তাই। মহাক্না মপানদা লৈরিবা পাকিষ্টানিশিং য়াওনা লৈবাক পুম্বদা ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগী রিহেবিলিটেসনগীদমক দোনেসন তৌনবা আপিল তৌখি।

লৈবাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না মাঙহন তাকহল্লিবশিং অদুগী য়েংদুনা রিহেবিলিটেসনগী থবক্তা শেল য়াম্না মথৌ তাগনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা কাটারদা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাস সারিফ পাকিষ্টানগী ঈশিং ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লক্লিবদু য়েংদুনা লৈবাক অসিদা অমুক পায়শিল্লগনি। পিএম সেহবাসনা মহাক্কী য়ুকে খোঙচৎ কেন্সেল তৌখি। মহাক য়ুকেদা লায়েংদুনা লৈরিবা মহাক্কী মশুনুপীগী ফিভম য়েংশিন্নবগীদমক কাটারদগী লন্দনদা পাইননবা লেপ্পলম্বনি হায়না সমা টিভিনা ফোঙদোকখি।

কাটারদগী হেক থুংলবগা সারিফনা চ্যের লৌদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটি পুন্নমক্কী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। মদুদা নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি য়াওনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা হৌজিক ফাওবদা ঈচাওনা শোকহল্লবশিংগী রেস্ক্যু অমসুং রিলিফকীদমক্তা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী মরমদা মঙোন্দা ব্রিফ তৌগনি।

# ফ্রান্সকী ওজাশিংগী পে হেনগৎলগনি

পেরিস, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী ওজাশিংগী বেসিক পে শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহনবগা লোয়ননা মখোয়না থবক তৌরিবা অহেনবা পুংশিংশিংগী কম্পেন্সেসনসু পীগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোননা লাউথোকখ্রে। প্রসিদেন্ট অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারেপ পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, অনৌবা ওজাশিং হৌজিক থা অমদা য়ামদ্রবদা য়ুরো ২০০০ (দোল্লর ১৯৯০) ফঙলগনি।

মহাক্না মখা তাখিবদা প্রোফেসন অসিগী এভরেজ পে চাদা ১০ হেনগৎলগনি অমসুং অঙাংশিংদা এক্সট্রা লেসনশিং তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংবুনা অহেনবা এল্লাৱেন্স পীদুনা মখোয়গী পে চাদা ২০ হেনগৎকনি। অদুম ওইনমক প্রসিদেন্ট মেক্রোননা পে হেনগৎকদৌরিবা অদু করম্বা মতমদগী চৎনহনগদৌরিবনো হায়বদি পনখিদে। ফ্রান্সতা অঙাংশিংবু তাকপী তম্বীবগী থবক অসি থবক থীরিবশিংনা ইপাম পান্নদবা প্রোফেসন অমা ওইরক্লি। মসি মরু ওইনা লৈবাক কয়াদা খুদম ওইনা য়ুমথংনরিবা জমর্নিদা প্রোফেসন অসিগী মীওইশিংদা পীরিবা পেদগী লৈবাক অসিদনা য়াম্না হন্থবদগীনি হায়রি।

# মালেম্না প্রোটেষ্ট তৌরবসু ইর্দোগাননা সিরিয়া কেম্পেইন চাওথোক্লগনি হায়খ্রে



অঙ্করা, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপা লৈরবসু সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা কুর্দিষ্ট মিলিসিয়াগী মায়োক্তা হেন্না কনশিনবা মওংদা চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরিবা মিলিটরি কেম্পেইন শুকশোই শোইদনা চথরগনি হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইর্দোগাননা হায়খি, মদুদি কিমি ৩০ গী কোরিদোর লৈরিবা ঐখোয়গী খা থংবা বোর্দরশিং সেক্যুর ওইহন্দ্রিবা ফাওবা ঐখোয়গী খোঙজং লেপ্লোই হায়না ঐহাক্না অমুক হন্না মালেম পুম্বদা লাউথোক্লি। টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমগা তাইনরিবা মসিগী বোর্দর পরিংগী পাক চাওরবা লমশিং পায়শিনবা হৌখ্রবনি। ইর্দোগাননা হৌখিবা এপ্রিলদা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা য়ুএসনা শৌগৎলিবা সিরিয়ন কুর্দিষ্ট মিলিসিয়া- পিপলস দিফেন্স য়ুনিটস (ৱাই পি জি) বু খারোমদা মখা তানা তকথোক্লবা অনৌবা ওফেন্সিব অমা চথরগনি হায়খিবনি।

টর্কিনা ৱাই পি জি অসি লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংগা মরী লৈনবা টেরোরিষ্টশিংনি অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি থ্রেট অমনি হায়না লৌই। টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংগী মায়োক্তা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী গভর্ণমেন্টবু বেক্কিং পীরিবা রসিয়া অমসুং ইরাননা মমাঙদা অঙ্করাদা মিলিটরি কেম্পেইন অদু চথদনবা পাউতাক পীখিবনি।

অমরোমদা, য়ুএসনসু তোঙান্না ৱার্নিং পীরদুনা টর্কিগী অনৌবা ওফেন্সিব অদুনা ইস্লামিক ষ্টেট টেরর গ্রুপকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অদুদা অকায়বা পীরক্কনি হায়খ্রবনি।

লৈবাক অমত্তগী মমিং পন্দনা ইর্দোগাননা হায়খি, মদুদি মশাগী অপান্বগী মতুং ইন্না মিলিটরি ওপরেসন চথবা মতমদা অচুম্বা খোঙথাংনি হায়খিবা অদুগা ঐখোয়না অদুগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপা মতমদনা অথিংবা পীবা কয়াসু লৈরি।

# ‘টিটিপিগী মায়োক্তা হেন্না কনবা খোঙথাং লৌখৎলগনি’

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
খাইবর পাক্তুনখুৱা (কেপি) অমসুং বেলোচিষ্টানদা কাউন্টর-টেররিজম ওপরেসনশিং মখা তানা চথখিগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবগা লোয়ননা পাকিষ্টান আর্মিনা টেহরিক-আই-টালিবান পাকিষ্টান (টিটিপি) গী মায়োক্তা হেন্না কনবা খোঙথাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জেনরেল হেদ ক্বার্টর্সতা থা খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা কোর কম্মান্দরশিংগী কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা আর্মিগী চীফ জেনরেল কামর বসৱানা মিলিটরি ওপরেসনগীদমক্তা মখা তানা শেম শাদুনা লৈনবা অমসুং কেপি অমদি বেলোচিষ্টানদা কাউন্টর টেরোরিজমগী থবক কনশিন্নবা ফোর্মেসনশিংদা দিরেক্সন পীখি। জেনরেল হেদ ক্বার্টর্সতা পাঙথোক্লিবা মীফম অদুদা সেক্যুরিটিগী ফিভম অমদি আর্মিনা পায়খৎলিবা ঈচাওগী রিলিফ ওপরেসনশিং রিভিয়ু তৌখি। আই এস পি আরগী কনফরেন্স অদুগা মরী লৈনবা প্রেস রিলিজতা কাউন্টর-টেররিজম ওপরেসনশিংগী অকুপ্পাশিংদি পনখিদে।

বেলোচ লালহৌবশিং, গুল বহাদুর গ্রুপ অমসুং অতৈ মিলিটেন্ট আউটফিট খরগী মায়োক্তা পাকিষ্টানি মিলিটরিনা লেপ্তুনা ওপরেসন চথদুনা লাক্লিবনি। অদুম ওইনমক ইদ-উল-ফিটরগী মতমদগী সেক্যুরিটি ফোর্সেস অমদি টিটিপিগী মরক্তা খুৎলায় শীজিন্নবা লেপ্পদুনা লাকখি। হৌজিক নাকল অনীনা থা অহুমগী সিজ ফায়র অমা ওবজার্ব তৌরিবনি। সিজ ফায়র মনুংদা মখোয়গী মীহুৎশিংনা পিছ টোল্ক চথবগা লোয়ননা ট্রুস অদু মায় পাকহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। টিটিপিগী ফাইটরশিংগী এক্তিভিটিশিং কনখৎলকপগা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা জেনরেল বসৱানা গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা চথরিবা ওপরেসন হেন্না কনশিল্লগনি হায়খি।